## মহৈরোয় ২৬ তা মখুৎ শাঙলুবা ওজা পুলিসনা ফারে

কানুর, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : হৌখিবা কুমজা ২০২১ গী নভেম্বর থাদগী হৌরগা মহৈরোয় নুপীমচা কয়াদা মখুৎ শাঙদুনা লাকখিবা এইদেদ স্কুল অমগী ওজা অমা ঙসি পুলিসনা ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থা অসিগী ১২ দা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড লাইন ওথোরিটিনা তৌরকখিবা কমপ্লেন অমগী মতুংইন্না মশাগী চহী ৫২ রোম শুরবা ওজা অসি ঙসি পুলিসনা ফাখিবনি। স্কুল অসিদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় নুপীমচা অমনা স্কুল অদুগী অতোপ্পা ওজা অমদা মহাক্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অদুগী মতাংদা পাউ তমখি। পাউ অদু তাবদগী ওজা অদুনা খুদক্তা চাইল্ড লাইন ওথোরিটিদা পাউ পীখি।

চাইল্ড লাইন ওথোরিটিনা স্কুল অদুদা লাক্তুনা মহৈরোয় নুপীমচাশিং অদুবু কাউন্সেল্লিংগী থবক চথুখি। মদুদা অতোপ্পা মহৈরোয় নুপীমচা কয়াসু মখোয়না থেংনখিবা অমদি থেংনরিবা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্নরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০২১ গী নভেম্বর থাদা স্কুল অমুক হন্না হাংদোকখিবা নুমিৎ অদুদগী ওজা অসিনা মখোয়গী মশাদা শোকপা হৌরকখিবনি হায়রি।

## কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি : অমিট শাহ

গান্ধীনগর, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা অমুক হন্না চাওনা মায় পাক্তুনা নরেন্দ্র মোদিনা থংন-থংননা লৈবাক অসিগী অহুম্লকশুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোরক্লি।



গান্ধীনগরদা ঙসি তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা গুজরাট এসেমব্লি মীখল অদু লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা অমনি। গুজরাট মীখলদা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনখি। অদুবু মদুদা বি জে পিনা এবসোলুট মেজে ারিটি ফংদুনা মায় পাকখি। মসিনা মরম ওইরগা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা শোয়দনা মায় পাক্কনি অমদি নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইগনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে।

সীট ১৮২ লৈবা গুজরাৎ এসেমব্লিগী মীখল অদুদা বি জে পিনা পুন্না সীট ১৫৬ ফংদুনা চাওনা মায় পাকখি। অদুগা কোংগ্রেসনা শুপ্নতগী সীট ১৭ ফংখি। ষ্টেট অসিদা নৌনা চঙলকখিবা এ এ পিনা সীট ৫ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। কোংগ্রেসনা ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎ চত্তুনা কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি। অদুবু মীয়াম্না য়াবা পার্টিদি বি জে পিনা ওইরি। গুজরাটতা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা ষ্টেট অসিগী ওইনা পুন্না সেদ্যুল ট্রাইবকী সীট ২৭ রিজর্ব লৈবগী মনুংদা বি জে পিনা সীট ২৪ দা মায় পাকপা ঙমখি। মসিনা তাকপদি ট্রাইবেল কম্যুনিটিশিংনসু বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক্তা চাওনা থাজবা লৈ হায়বনি। মরম অদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ট্রাইবেলশিংনা বি জে পিদা চাওনা মতেং পাঙদুনা হান্না মায় পাকখিবা সীট মশিংদগী অমুক্কা হেন্না য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্কনি। ওনোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা পুনশিন্দুনা বি জে পি মায়থিবা পীনবা হোৎনরিবা অসি থবক ওইনা কৈদৌনুংদা পাঙথোকপা ঙম্লোই। লৈবাক অসিদগী বি জে পিগী লৈঙাক মুথৎপা ঙম্লরোই হায়রি।

## মমাং চহীদা মহারাষ্ট্রদা পুন্না লৌমী ১,০২৩ মশা মতোমতা শিজখি : ওফিসল

ঔরঙ্গবাদ, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্রগী মনুং চনবা মারথ্বাদা খত্তঃদা মমাং চহীদা লৌমী ১০২৩ মশা মতোমতা শিজবগী থৌদোকশিং থোকখি হায়না দিভিজনেল কম্মিস্নর ওফিসনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা মশা মতোমতা শিজখিবা লৌমী মশিংদগী হন্দক্না মশিং য়াম্না হেনগৎলকখি হায়রি।



মারথ্বাদা রিজনদা লৈরিবা মফমশিং অদুদি জালনা, ঔরঙ্গবাদ, পারভানি, হিঙোলি, নান্দেদ, লাতুর, ওসমানবাদ অমসুং বিদ দিষ্ট্রিক্টনি। হায়রিবা রিজন অসিদা হৌখিবা কুমজা ২০০১ দা শুপ্নতগী লৌমী অমখক্তমক মশা মতোমতা শিজবগী থৌদোকশিং থোকখি। হৌখিবা কুমজা ২০০১ দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ৮ লৈবা রিজন অসিদা পুন্না লৌমী ১০,৪৩১ শিখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০০১ দগী ২০১০ ফাওবগী ওইনা কুমজা ২০০৬ তা লৌমী ৩৭৯ শিখিবা অসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা কেস ওইখি। কুমজা ২০১১ দগী কুমজা ২০২০ ফাওবগী ওইনা লৌমী খ্বাইদগী হেন্না শিহনখিবা চহী অসি কুমজা ২০১৫ না ওইখি। হায়রিবা চহী অসিদা পুন্না লৌমী ১,১৩৩ শিখি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা মহৌশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা মহারাষ্ট্রগী শরুক খরদা ঈকং থোকপগী চাং হেনগৎলকপদগী লৌমীশিং মশা মতোমতা শিজবগী চাংসু হেনগৎলকখিবনি। হান্না লৌমীশিংনা মশা মতোমতা শিজবগী মতম অসি জুলাইদগী ওক্টোবর থা ফাওবদা ওইরমখি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৌমীশিংনা দিসেম্বরদগী জুন থা ফাওবগী মনুংদা মশা মতোমতা শিজবগী চাং অসি হেনগৎলক্লি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা ইরিগেসন নেটৱার্ক অসি মপুঙ ফানা মথৌ তৌদবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা মহৈ মরোং থানবা হোৎনবদা ঈশিংগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না পোলিসি কয়া হৌদোক্লবসু মপুঙ ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবদি ঙমদ্রি হায়রি।

## প্রাইম মিনিষ্টরগী রোদ শো দেল্লিদা পাঙথোক্কনি

ন্যু দেল্লি, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা হয়েং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী রোদ শো অমা পাঙথোক্কনি হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং দেল্লি পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা ট্রাফিক্কী মতাংদা খন্নদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রেসু হায়রি।

ভারতিয়া জনতা পার্টিনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী রোদ শো অসিগা মরী লৈননা ট্রাফিক এদভাইজরিনা ফোঙদোকখিবদা, অশোকা রোদ, সনসদ মার্গ, তোলষ্টোয় রোদ, রফি মার্গ, জন্তর মন্তর রোদ, ইমতিয়াজ খান মার্গ অমসুং বাংলা সহিব লেন হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ দগী হৌরগা পুং ৫ ফাওবা থিংগনি। মসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা লম্বীশিংদা ট্রাফিক জাম কা হেন্না থোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসিগী মতাংদা খুদোংচাদবশিং থোক্তনবা হোৎনরি হায়রি।

## 'লোক সভা মীখলদা বি এস পিনা অতোপ্পা পার্টিগী মতেং লৌদনা মীখল থেংনগনি'



লখনৌ, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিংগী ওইবা এসেমব্লি মীখল অমদি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বহুজান সমাজ পার্টিনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা পুন্দুনা থবক তৌরোই অমদি মরোমদোম মীখল লম্বা থেংনগনি হায়না পার্টি অসিগী চীফ ময়াৱতিনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৬৭ শুবগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা উট্টর প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা কর্নতকা, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, ছতিসগর, টেলঙ্গনা অমসুং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট খরগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলশিংদা বি এস পিনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা এলাইন্স শেম্লোই। চপ মান্ননা লোক সভা মীখলদসু মরোমদোম মীখলদা লম্বা থেংনগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেস অমদি অতোপ্পা পার্টি খরনা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিং পুনশিন্দুনা বি জে পি মায়থিবা পীনবা লৌতুনরিবা অদুদা মহাক্কী পার্টি য়াওদে হায়বদু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক ঙসি ৱাফম অসি মীয়ামদা শেংদোকপনি। কোংগ্রেস য়াওনা অতোপ্পা পার্টিশিংদা বি এস পিনা থাজবা অমত্তা থমদে অমদি বি এস পিনা মপাঙ্গল শোন্থরক্লিবসি মখোয়না থোকহনবনি হায়রি।

## লৈবাক অসিগী জুদিসিয়রিশিংবু সেন্টরনা মখোয়গী খুভামনুংদা থম্নবা হোৎনরি : কপিল সিবাল

ন্যু দেল্লি, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী হান্নগী লো মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা রাজ্য সভাগী এম পি কপিল সিবালনা সেন্টরদা মরাল শিরদুনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা গবর্নমেন্ট অসিনা জুদিসিয়রিশিংবু মখোয়গী খুভামনুংদা থমদুনা মখোয়গী খুৎলায় ওইনা শিজিন্ননবা হোৎনরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টনা ফাওবা নেসনল জুদিসিয়ল এপোইন্টমেন্টস কম্মিসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙলকখিবনি হায়রি।



মশাগী চহী ৭৪ শুরবা রাজ্য সভাগী এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক মীয়ামগী অচুম অরান ৱায়েল চথগদৌরিবা হায় কোর্ট অমদি সুপ্রিম কোর্টকী জজ কয়া হৌজিকসু হাঙদুনা লৈবা য়াওরি। সেন্টরদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা নেসনল জুদিসিয়ল এপোইন্টমেন্টস কম্মিসনবু অনৌবা শক্লোন অমদা উহন্নবা অমদি শেমদোক্নবা হোৎনরি। মসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি। অমরোমদা ভাইস প্রসিদেন্টনা নেসনল জুদিসিয়ল এপোইন্টমেন্টস কম্মিসনগী মতাংদা ৱাফম খরা মীয়াম মমাংদা ফোঙদোকখিবা অদু ৱাখল্লোন খন্থবা ৱাৎপগী থৌওং অমনি। মীয়াম মমাংদা জুদিসিয়রিগী ওইবা অরুবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অয়াবা পীরব্রা নৎত্রগা ভাইস প্রসিদেন্ট মশানা মশাগী পৱারদা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকখিব্রা হায়বা মহাক খঙদে। অদুবু ৱাফমশিং অদু মতাং চাদে হায়বসিদি ককপা য়াররোইদবা ৱাফম অমনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্টরদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা জুদিসিয়রি, লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সি অমদি ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংদা অয়েৎপা অমত্তা পীদনা মথৌ তৌহন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং মসিগী ওন্ন তৈনবদা মীয়ামগী ওইনা লৈরিবা এজেন্সিশিং অসিবু মশাগী মরন্নাই খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরক্লি। মসিদগী মতম চানা থিংহৌনবা মীয়াম্না হোৎনগদবনি হায়রি।

## 'ইন্দিয়া-চাইনা ঙমখৈগী শরুক্তা প্রোব্লেম থোরকপা মতমদা মায়োক য়ানবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি'

বেঙ্গলুরু, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা চাইনানা কা হেনবা থবক থৌওঠশিং চথরক্লবা নৎত্রগা লৈবাক অসিদা খুদোংথিবা থোকহন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক মতম অমদা হেক্তা মায়োক য়ানবা ইন্দিয়ন আর্মিনা শেম শাদুনা লৈ হায়না আর্মি চীফ জেনরেল মনোজ পান্দেনা ফোঙদোরক্লি।



বেঙ্গলুরুদা ঙসি পাঙথোকখিবা আর্মি দেগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা আর্মি চীফ জেনরেল মনোজ পান্দেনা ফোঙদোকখিবদা, লাইন ওফ একচুএল কন্ত্রোল (এল এ সী) হায়রগা মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা থোরকপা প্রোব্লেম অমা হেক্তা মায়োক য়ানবগীদমক লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা য়াম্না চেকশিন্না মথৌ তৌরি। অৱাং থংবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী ৱাফম লৈত্রি অমদি শান্তি লৈনা থবক তৌনবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান লৈবাক অনীগী মরক্তা সীজফায়রগী ৱাফম য়ানদুনা লৈরবসু তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদগী লৈবাক অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু ইন্দিয়ন আর্মি অমদি লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হায়রিবা কয়া অদুবু মতম মতমগী ওইনা থেংনদুনা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্কদবদগী ঙাকথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা মীয়াম্না মীপাইবা তৌরোইদবনি হায়রি।

## লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ঐখোয়গী থৌনা ফরবা লান্মীশিংগীদমক চাওথোকচরি : মোদি

ন্যু দেল্লি, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : আর্মি দে থৌরম্না লাকপদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা লান্মীশিং অমদি হান্না লান্মী ওইনা থবক তৌরম্বা কয়ামগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উৎপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেলসু পীরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী লান্মীশিংগী থৌনা অসি থাগৎনিঙাইনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ঈংনা তপ্পা নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমা লৈবা ঙম্লিবা অসি ঙমখৈগী শরুকশিংদা ঐখোয়গী লান্মীশিংনা কখোকপগা লোয়ননা থৌনা ফনা ঐখোয়বু ঙাক শেন্দুনা লৈবননি। মরম অদুনা ঐখোয়গী মীয়াম্না মতম পুম্বদা ঐখোয়গী লান্মীশিংগীদমক চাওথোকচরিবনি। লান্মীশিংবু মতম পুম্বদা পুক্নিং থৌগৎকদবনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু অমদি দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু আর্মি দেনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## সী বি আইনা ঐবু অরানবা তাহন্নবা হোৎনরি : সিসোদিয়া

ন্যু দেল্লি, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : হৌখিবা থাংজা নুমিত্তা দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসতা সী বি আইনা রেদ চথুখি হায়না মিনিষ্টর মশানা ঙসি অমুক হন্না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ওফিসতগী কম্প্যুটর অমা সীজ তৌনবা খঙহল্লমখিবা অদু মহাকপু অতম্না মরাল শিজিন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

ওফিসল হোলিদে ওইরিবা সেকেন্দ সটরদে নুমিত্তা সী বি আইগী টিম অমনা মহাক্কী ওফিসতা লাক্তুনা রেদ চথুখিবা অদু মরম চাদে অমদি মহাক্কী ওফিসতা শিজিন্নবা কম্প্যুটর সীজ তৌনবা সেক্রেটরিদা অঙৈবা চে অমা পীরকখিবা অদু অরোনবা লাল্লোং অমা চথনবা হোৎনরকপনি। সী বি আইনা মহাক্কী ওফিস কম্প্যুটর সীজ তৌখিবা অদু অরানবা থৌওংনি। থৌওং অসি কনানা চথুহনখিবনো হরায়বা চপ চানা খঙই। অদুবু মহাক্না অরানবা তৌখিদবনা মরম ওইরগা মসিদা কা হেন্না চিংনবা পোক্তে হায়রি।

## জোসিমাথকী ফিভম হান্নদগী হেন্না শোকচিল্লক্লে

দেহরাদুন, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : উট্টরখন্দগী মনুং চন্না লৈবা লমকোয়বা মীওই অমদি লাইনিংবা কয়াগী পুক্নিং চিংশিনফম ওইরিবা জে াসিমাথ টাউনদা লৈরিবা বিল্ডিংশিং অমদি লৈমায়দা অচৌ অচৌবা লৈক্রক কয়া চৎলকপদগী মফম অদুদা লৈবা কিদুনা মীওই কয়া চেন্থোক্নরকখ্রে অমদি কা হেন্না চেকখায়রক্লবা বিল্ডিংশিং মরী লৈনবশিংনা থুগায়বগী থবক চথবা হৌখ্রে। অমরোমদা ঙসি অয়ুক টাউন অসিগী মনুং চন্না লৈবা মখোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং অনীসু ঙসি নীংখায়রকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, টাউন অসিগী লৈমায়গী মখাদা ঈশিং চেনবগী মখোল হৌবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা টাউন অসি লুপখিবা য়াবগী অকিবা ফিভমদা লাক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা মফম অসিদগী মীওইশিং পুথোকপগী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎখ্রে। মফম অসিদা অসিগুম্বা মহৌশাগী তমথিবা ফিভম অমা লাক্লিবা অসি ইল্লিগেল ওইবা মওংদা অচৌ অচৌবা কন্স্ট্রক্সনশিংগা মরী লৈননা হান্না হৌরম্বা উ পান্বী কয়া য়ান্থৎপা অমদি লৈবাক কোখোকপদগী ওইরম্বা য়াই হায়রি।

## অনৌবা কেস ১০৪ থেংনখি



ন্যু দেল্লি, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১০৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১০৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮১,০৪০ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ২১৪৯ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭২৬ তা লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

## মরী মতাগী য়ুমদা শিজনবা হোৎনরম্বা মপা মচা ফারে

ভাদোহি, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : উট্টর প্রদেশকী মনুং চনবা ভাদোহি দিষ্ট্রিক্টতা মশা মতোমতা শিজনবা থৌরাং তৌরম্বা মপা মচা পুলিসনা ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, মপা মচা অসিনা মখোয়গী মরী মতা অমগী য়ুমদা চঙশিন্দুনা শিজনবা থৌরাং তৌরমখিবনি। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ঔরাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উগাপুর মার্কেট এরিয়াদা থোকখিবনি। ফুলচান্দ গুপ্তা অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা ভিরেন্দ্র গুপ্তা অনীগী মরক্তা লমগী মতাংদা চয়েৎনবা খরা থোকখি। মদুগী মতুং ঙরাং নুমিদাং ফুলচান্দ অমদি মচানুপা ভিরেন্দ্রগী য়ুমদা লাক্তুনা মনুংদা চঙখ্রগা গ্যাস পাইপলাইন ককথত্তুনা থোঙ লোনশিন্দুনা লৈখিবনি। মখোয় শিবগী মরাল ভিরেন্দ্রদা থংজিন্নবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

## সিধু মুসেৱালাগী অপোকপা ভারত জোরো যাত্রা খোঙচত্তা শরুক য়াখ্রে

চন্দিগর, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচত্তা গেং খুৎপু অমনা হাৎখ্রবা পঞ্জাবকী মমিং লৈরবা শৈশকপা সিধু মুসেৱালাগী অপোকপসু শরুক য়াশিনখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা শৈশকপা অসিগী অপোকপা বালকোর সিংহ সিধু ঙসি খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারকখিবা অদুবু কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকখি। বালকোরগী মায়কৈদগীসু অমত্তা ওইবা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন পুবা খোঙচত্তা শরুক য়াবা হায়বসি মহাক্কী অপাম্বনি হারয়না ফোঙদোকখিব হায়রি।

পনবা য়াবদি মমিং লৈরবা পঞ্জাবকী শৈশকপা অসি মমচাং চহীগী মে ২৯ গী নুংথিলদা পঞ্জাবকী মানসা দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। লোরেন্স বিষ্ণু গেংগী মেম্বর গোলদি ব্রারনা শৈশকপা অসি হাৎখিবনি। গোলদি বারগী মরী মখোঙ তাকপা ওন্বা মীওইশিংদা লুপা ক্রোর অনীগী মনা পীগনি হায়না য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা লাউথোকখিবসু লৈরে হায়রি।

## বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকনা মিদিয়া হাউসশিংদা মখল অমত্তগী অথিংবা থমখিবা লৈরে : রাজনাথ

ন্যু দেল্লি, জানুৱারী ১৫ (এজেন্সী) : সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী মিদিয়া হাউসশিংদা অথিংবা কয়া থমজিল্লে অমদি মিদিয়াগী নীং তম্বদা অয়েৎপা পীরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লিবা ৱাফম অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি। ঙসি ফাওবদা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মিদিয়া হাউসশিংদা মখল অমত্তগী অথিংবা থমখিবা লৈতে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মিদিয়াগী মনিং তম্বা ঙাক্লবা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অমদি অতল বিহারি বাজপাইনা পি এম ওইরিঙৈগী মতমদা মিদিয়াশিংগী ওইবা মনিং তম্বা ঙাক্তুনা লাকখি। অদুবু লৈবাক অসিগী অরিবা পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেসনদি মতম পুম্বদা মিদিয়াশিংগী মনিং তম্বা হন্থহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু মখোয়না তৌখিবা কয়া অদুগী মরালনা বি জে পিদা পীশিন্নবা হোৎনবনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা মিদিয়ানা মনিং তম্না ৱা ঙাঙবদা অয়েৎপা পীনবগীদমক কন্সটিট্যুসন এমেন্দ ফাওবা তৌরমখি। মিদিয়ানা দেমোক্রেসিগী মরি শুবা য়ুম্বী মখোঙ ওইনা থবক তৌরি। মরম অদুনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মিদিয়াগী মনিং তম্বা মাঙহনবা য়ারোই। মিদিয়াগী মপাঙ্গল কল্লবা মতমদতা দেমোক্রেসিগী মপাঙ্গলসু কনবা হেনগৎলক্কদৌরিবনি হায়না মহাকনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।